# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ৭৯

**ডা. এল শশীকুমার, য়ূরেম্বম**

*শাংলবা* চহী ১৫ গী লৈঙাক অসিদা মীচম মীয়ামদা চাউরবা নমথাক কয়া লেপ্তুনা চথ্বরকখিবা লৈঙাক ফিজং কয়া মীচম মীয়াম্না মিৎমাংদা শংশংনা খঙনরিবা কয়ানি। লৈবাক্কী লুচিংবশিং ওইবিরগা মীয়াম্বু নমথাক তৌবা হায়বসি তরাই তরাই খন্দোকপা য়াবা ৱাফম অমদি নত্তে। অদুম ওইনমক ঙসিগী মণিপুরগী লৈঙাক অসিদি ইন্দিয়াগী মনুংদা তোপ তোপ্পা শক্তম অমনি। মণিপুর য়ৌরকপদা ফর-ফরবা আইন, ফর-ফরবা মীশক ফাওবা নুংশা মঙালদা লেন্না তুম্বগুম তুমহনবা ঙম্বা মণিপুরগী লৈঙাক অমনি হায়দবা খক য়ারোই।

কোংগ্রেস লৈঙাক অসিদা মণিপুর থক খা পূন্নমক ওল্লে। নহারোল লালহৌবা কয়াসু ঈংনা চিক্লা লৈনরক্লে। মসিবু ওন্দে হায়বা য়াখিগদ্রা? লমহেন তুহেনবা কয়া ফার-ফারগা মাঙহনখ্রে, মাঙহন্দে হায়বা য়ারোই। মদুগী শেংলবা খুদম তোম্বীস্না স্কুলগী মীকোক কয়াগী কেস নুংশা মঙালদা তুম্না মাঙহনখ্রে। রবিনা অমদি সঞ্জিৎপু নুংথিল পোবোবতা হাৎখিবা ঈশিং মনুংদা লৈতুম থাদবগুম লৈখ্রে। লৈঙাক অসিগী মনুংদা য়াওরিবা এম এল এ, মন্ত্রি পূন্নমক অচুম অরান খঙনরবসু মখা তাবা ৱা ঙাঙবা ঙম্নখিদ্রে। মরাল লৈর-লৈরবা ওফিসার কয়াসু লৈঙাক অসিদা তুমিন তুমিন লৈহনবা ঙম্বা হায়বসি থোইদোক হেন্দোকপা মগুন অমদি লৈতবা নত্তে। মগুন হায়বসি করিনো হায়বসি মীয়াম্না ইখঙ খঙনরবা ঙাক্তনি। আইনসু চৎনবীসু পৈশানা কুপশিন্দুনা পূন্নমক তুম্না মাঙহনখ্রে। ঙসিগী এম এল এ, মন্ত্রি, এম পি খুদিংমক থমাইখ্রে। করম্বা মন্ত্রনো? করম্বা লাইৱানো? লৈবাক অসিগী মীচম মীয়াম পূন্নমক ইখঙ খঙনৈ। পৈশা অমদি শক্তিনা পূন্নমক জয় তৌখ্রে। এম এল এ, মন্ত্রি, এম পিশিং ঙম্নমক মশা মশাগী লাক্লিবা ইনকমগা চানব্রা থিগৎপা তঙাইফদে। মীয়াম্না ঙাঙনরক্লিবা অসি অমত্তা লান্দে। লান্দে খঙলবসু, মাঙজরে খঙনরবসু পূন্নমক মচিন মেন্নখ্রে, করম্না মচিন মেনখ্রিবনো? ইখঙ খঙনৈ। মতম অমগী এম এল এ, মতম অমগী মন্ত্রি, ঙসিগী এম পি মতমগী ওল্লক্লিবা য়াওন হায়বদু ওইরমাল্লে। এম এল এ, মন্ত্রি অমসুং এম পি খুদিংমক মীয়ামগী মরলনা মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুং, নুপী-অঙাং, মরী-মতা খরদি মশক থোক্লা লৈনবা য়াওনরে। মসিগী শক্তম অসি উনরকপদা মপুন্সিদা লৈকাই, খুঙ্গংগী থবক্তা নোংমতা য়াওনরমদবা মীওই কয়া অরানবা পাম্বৈনা তাল্লকপা শেনফম খরনা লৈবাক নীংবা, মীয়ামগী থৌগল তৌনিংবা ফাওনরক্লি। নম্বর ফোর করবার তৌবা ইকায় খঙদবা মীশক কয়া শিবা কিদনা ইকায়বা খঙদনা ভোট লেপ্নখৎনরক্লি।

ঙসিগী লুরবা তাঞ্জাসিদা মপুন্সিদা ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী নোলেজ মরিক অমত্তা খঙদবা দিমোক্রেসিগী নমাদা থৌগল তৌনিংবা কয়া শৌগ্রি য়ুংবগুম থোরক্লিবা করিসু ঙকনিংঙাই ওইদে।

হীরম অশোমদা হেন্না পূক্নিং থিংজিনবা মতম ওইদে। মীয়াম খম থেংনা ৱাহল্লবা তাঞ্জাদা শেল অমদি শক্তি শীজিন্নদুনা থেম্নবগী খুদোংচাবা লৌনরক্লে। মতাংসিদা মীচম মীয়ামশিং ৱাখল তাবগী মহুত্তা আইন অসিনা হেন্না হেন্না পংথহল্লকখি। মীচম মীয়াম্না পংথরক্লিবমখে নেতা শাবা ইকায় খঙদবশিংগী মতোন ওইনরি। মরম অদুনা লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০১৭ কী মতুংদা মণিপুরগী লাইবক কদোমদা থোক্কদৌরি হায়বা কুপ্না নৈনহৌবগী তাঞ্জা ওইদবা নত্তে।

ঙসিগী ও ইবোবীগী শাংলবা চহী ১৫ গী লৈঙাক অসিদা চথ্বরক্লিবা লৈবাক্কী শক্তম ময়েক শেংনা খঙনরে। মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা লম্বী চাওথোকপগী করবারনা লোইনরে। অদুবু লম্বী পাকথোকপা অসিনা মীচম মীয়ামদা কদাই ফাওবা কান্নবা ফংনরবগে? লম্বী পাকথোকপগী নমাদা মখল মখাগী অৱাবা চৈথেংদি ঙসিসু লৈতবা নত্তে। লৈঙাক্লা ঠিকাদারশিংদগী চাদা ১০, ২০ গীদমক লম্বী ময়ায়দা লৈঙাক্কী শঙ শাজিনগনি। লম্বী পাকথোকপদা লৈঙাক্কী শাখিবা শঙ অমুক থুগাইগনি। ইম্ফাল মনুংদা মী চিনখৎলকপগী লম্বী পাকথোকপনি। অদুবু লম্বী পাকথোক্লগা চৎথোক চৎশিন্দা খুদোংচাবা পীবগী মহুত্তা গাড়ী পার্কিং ওইনগনি। মসিবু লম্বী পাকথোকপগী ৱাহন্থোক লৈরিব্রা? খুদম অমতং, মীয়াম্না তরু তরু উরবা ইম্ফাল জিরি রোদতা ইম্ফাল ময়োলদগী য়েংবিয়ু জিরি পার্কিংদগী হৌরগা মৈনো লৈরক ফাওবা পার্কিং ওইরি। মসিবু করম্বা লৈঙাক্কী অচুম্বা মিৎয়েংনো। মসিগী মখা চথ্বরকপদা পাৎশোই লমখায়গী সরক ময়ায়দা পুলিস কম্মান্দো ওফিস ওইশিল্লি। মসি লৈঙাকসিগী চাদা ১০, ২০ গী খুদোংচাবা লৌহৌনবনি। মসিগী মখা তারকপদা য়ুরেম্বম পৱার সব ষ্টেসনদা ঙসিসু লম্বী ময়া নক্লা ফেন্সিং তৌশিল্লি। ফেন্সিং শেমগৎপা মতমদা লৈঙাক্লা থাদরকপা মরী লৈনবশিংনা সরক ময়াইগী মফমসি ফাওবা য়ারোই হায়না দাগ পীরম্মী। অদুবু ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা শাগৎলি শেমজিল্লি। লম্বী পাকথোকপা চাওথোকপা হায়বসি ইম্ফাল মনুংনা হেন্না মথৌ তাই খল্লি। ইম্ফাল মনুংদা নোংমা নোংমগী মী চিনবগী চাং হেনগৎলকই। অদুবু লম্বীদি ইম্ফাল মনুংনা হেন্না পীকশিল্লকই। ইম্ফালদগী অসুম অসুম লাপথোক্লগা লম্বী হেন্না হেন্না চাওথোকহল্লি। মসি লৈঙাকসিগী করম্বা মিৎয়েংনো?

মণিপুরগী খ্বাইদগী মরু ওইবা লম্বীনি হায়নরিবা ইম্ফাল জিরি রোদ অসিদা শক্লাইরবী মণিপুর লৈঙাক্কী ফম্নাইবী ওইরিবী মিরাবাই, মসিগী মথক্তা ঐখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা তোমথিন ঙাল্লিবা এম পি অমসু ইচাও চাওনা লৈরি। লম্বী অসিগী নাক য়েৎতা করি করম তৌরিবগে হায়বা য়েংশিনবীদবসি করম্বা নুংগী ৱাহন্থোকনো। এন ঐচ অসিগী ফম্নাইবা ওইরিবশিংগী মশাগী লম্বী হায়জিনফমগী সরক ময়ায়দা কোম শানা চৎপা য়াদনা লৈরিবা লাংচিংগী সি আর পি এফ হায়জিনফমদা লৈরিবসি করিসু খনবীদবরা? মন্ত্রি, এম পি অমদি মশাগী সিফাইগা লোয়ননা লাকপনা লম্বীগী অশোয়বা ফাওবা উবিদবরা? মন্ত্রি ফম, এম পি ওমর নত্তে। নোংমা মীচম ওইরক্কনি মদুসু খরদং তুংগী অমদি লৈবাক মীয়ামগী খন্থবীদুনা মীচম মীয়ামশিংগীদমক য়েংশিনবীবদা করি মাঙজগদগে?

মসি ঙম্নমক থাদোকপীরগা লৈবাক্কী থৌগল তৌগনি চোংথোকপীরিবা আশা চাউরবা নেতাশিংনসু খরদং মিৎয়েং চঙহঞ্জনীংই। লম্বী অসি মীয়ামগীনি। মীয়ামগী থৌগল তৌনিংবশিংনা খরদংসু খন্থবীবা য়াই। মসিগী মখাদা ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা ইম্ফালদগী থৌবাল ফাওবদা মপূং ওইনা মওং তানা শেমজিল্লি। ইম্ফালদগী মাও ফাওবদি হায়নিঙাই লৈতনা ফত্তে। চীংগী লমদমদা ওইরিবা শক্তম হেন্না খন্থবা মতমনি । ইম্ফালদগী থৌবাল, ককচীং ফাওবদি মওং তানা শেমজিনবসিমক মীয়াম্না ঙাঙনরিবশিং চম্না খনে দাকপীগনু। মণিপুর মীয়ামগী ওইবা লম্বীনি তম্পাক্কী শরুক খরগা অতৈ অতৈদা ফত্তবশিং য়েংশিনবীদবসি ঙরাং নহান বি জে পিগী শক্ল াইরবা মীশক অমনা রেদিওদা পীখিবা ৱাফম তরাইবা নত্তে। মীয়ামগী খোল্লাউনি। অদুবু লৈঙাক অসিনদি য়েক্লবা পার্টিনা হায়বনি লৌরম্বা য়াই। কোংগ্রেসকী ও ইবোবীগী লৈঙাক্তা মীচং মীখায় নাইবা, ঐগী মায়কৈ ঐগী কেন্দ্র হায়বসি নত্তবা অচৌবা মিৎয়েং, অপাকপা ৱাখল খন্থবা মতমনি। লৈবাক্কীদমক লৈরিবা পার্টি অমনি। ঐগী পার্টি, মীগী পার্টি হায়বগী মহুত্তা ঐখোয়গী পার্টি ওইনা থম্মোয় চাউনা খন্থহনিংই। লৈঙাক অসি মীয়ামগীনি। ইম্ফাল জিরি রোদতা মতম কয়াদগী ঙাঙনরক্লিবা থবক ওইনা ওন্থোকপীয়ু। মণিপুর মীয়ামগী লাইফ লাইননি হায়রিবসিদা খরদং হেন্না পূক্নিং থিংজিনহনবীয়ু হায়বসি মীয়ামগী খোল্লাওনি। কুমজা ২০১৭ তা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন্দা ওইরক্কদৌরিবা শক্তম পোলিটিকেল পার্টিশিংনা থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী থবক পায়খৎপীয়ু। পোলিটিক্স ওমর নত্তে। তুং মাং, নাক য়েৎ খন্থবীয়ু। ঐগী হায়বা ৱাখল থাদোক্লদুনা মীয়ামগী ওইবা থম্মোয় চাওবা মপূং ফানা উৎপীবা হায়বসি তৌফম থোক্তবরা? ঐখোয় পুল্লসি, অপূনবগী শক্তম্না মণিপুর কনগদবনি, অপূনবগী পাঙ্গল, অপনবগী জয় লৌমিন্নরসি।

# মণিপুরদা তুং কোয়বা শান্তি থম্নবগীদমক কম্যুনিতি কনফ্লিক্ট মেনেজমেন্ট ওথোরিটি অমা লৈঙাক্লা লিংগদবনি

**— চোংথাম ধনচন্দ্র —**

ঈং তপ্পা নুংঙাই য়াইফবা তংদু লৈতাবা লৈবাক অমা শেম্বদা মীপুম খুদিংমক্কী চাউরবা থৌদাং লৈ হায়বসি ঙসিগী মীরোল অসিনা কাউবগুম তৌরে। মতম অমদা ঈংনা তপ্পা লৈরম্বা ইরমদম মণিপুর ঙসিদি মৈগী চীংজাও ওনখ্রে।

হাৎনবা-শুনবা, কাঙলুপ মশেল উংখৎনবা, বন্দ ব্লোকেদ, মৈহৌ লাংপোক ময়ামসিনা মীওইবগী পুন্সিবু তৎতনা তেমশিংনরি।

পূন্নমকশিং অসিগী মরু ওইবা হৌরকফমদি হিষ্টরি অমসুং ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মখাদা চৎনরিবা পোলিটিকেল সিষ্টেম অসিননি হায়বদা লাল্লোই।

মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিন্দ্রিঙৈদা মশাগী ওইজবা লৈঙাক্লোন অমা লৈজরম্মী হায়বসি কাউবা য়াররোইদবা ৱাফমনি। অদুবু কুমজা ১৯৪৯ গী ওক্টোবর ১৫ দা ইন্দিয়াদা পুনশিনখ্রবা মতুংদা অওনবা অহোংবা কয়া লাকপা হৌরকখি।

মরু ওইবা মরম খরদং পঞ্জরবদা মনীংতম্বা লৈবাক অমবু পার্ট সী ষ্টেটকী থাক্তা হন্থহনবা, পার্মিট সিষ্টেম লৌথোকপীখিবা, অফস্পা, এম এল আর এক্ট অমসুং আর্টিকল ৩৭১ (সী) অসিনি হায়জনীংই।

ঙল্লিঙৈ মতমদগী লৈরকখ্রবা নীংতম্বগী শক্তিনা মাঙখ্রবদা মদুবু হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা লালহৌবগী সমস্যা থোরকখিবনি অদুবু ইন্দিয়াগী লৈঙাকপশিংনা মাঙজৌননা খঙবদগী অফস্পা ১৯৫৮ অসি শেমদুনা থল্লম্বনি। মসিগী ফল ওইনা মীশি মীনা মীকপ মীরাওখোল কয়া তারি।

মখা তারকপদা অপূনবা মণিপুরগী শক্তমদা তেমশিংনরিবা এম এল আর এক্ট ১৯৬০ অমসুং আর্টিকল ৩৭১ (সী) অসি কুপ্না নৈনদুনা অফ ফত্ত পুথোকমিন্নবা চঙই।

এক্ট অসিনা মণিপুরগী অপূনবা লমগী চাদা মরিফুতরাদি মৈতে নত্তবা ফুরুপশিংগী ওইনা রিজার্ব তৌরি। অপূনবা মীশিংগী চাদা কুন্থ্রা রোম ওইরিবা ফুরুপশিং অসিনা মণিপুরগী মপু ওইবদা অয়াবা পীরিবা এক্ট অসি অনকন্সটিট্যুসনেল ওই। মরমদি ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন্না নাগরিক খুদিংমকপু চপ মান্নে লোয়ননা মফম খুদিংমক্তা ললোন ইতিক তৌবা, খুন্দাবা য়াই হায়রবনিনা।

চীংলৈবাক ওইদুনা লৈরবা মণিপুরবু হিল ষ্টেট নৎত্রগা ত্রাইবেল ষ্টেট অমনি হায়দুনা লাউথোক্তবসি অচৌবা অশোয়বনি। মৈতে ফুরুপতি উমংলাইবু চেৎনা শাগোন্নজরুবনা চীং পাৎ তুরেলশিং অসিবু খুন্দাশনবদি লাইরদনা অয়ূক নুংথিল ফাওবা চঙথোক চঙশিন তৌবদা য়াম্না চেকশিনজৈ, অমাং অশোয়নচিংবা তৌশিন্নদে। ৱাখল্লোন অসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা এক্ট অসিগী অফ ফত্ত মৈতৈশিংনা লুনা খনজিল্লুদবা ওইগনি থাজজৈ। অদুবু খ্বাইদগী লুরিবদি এম এল আর এক্ট ১৯৬০ অসি চাইনপুংগী হৌরকফম ওইরে। ঙসি ঙসিমক আই এল পি ইশুগা মরী লৈননা ত্রাইবেলশিংনা ইরাং হৌরিবসি এক্ট অসি শেমদোক্কদৌরে হায়বসিদগীনি। মখোয়না হায়রিবনা আর্টিকল ৩৭১ (সী) অসিগী মখাদা মফমশিং অসিদা ঙাক্লৌ পীরে, আই এল পি চৎনদ্রবসু য়ারে হায়বসিনি। মরম অসিনা পূন্নমক্লা য়ানরবা বিল অমা পুথোকপা হায়বসি থাজবগী ৱাংমদা লৈ।

এক্ট অসিবু লান্না ৱাহন্থোক্তুনা ঙসিদি ইম্ফাল ভেল্লিবু মৈতৈগী হোমলেন্দ অমগুম লৌরে। ঙসি ঙসিমক ফোং ফোং শারিবা গ্রেটর নাগালেন্দ অমসুং কুকি ষ্টেটনচিংবা দিমান্দশিং অসি এক্ট অসিগা য়াম্না নক্লবা মরী লৈগনি খঞ্জে। মসিমক্লা ওইবা তাই 'দ টেরিটোরিয়েল বাউন্দরি ওফ মণিপুর লাইজ এট দ ইম্ফাল ভেল্লি' হায়দনা চীংগী মফম খরদা ফোংনা ইবা ঙল্লিবসিমক। কুমজা ২০০১ গী জুন ১৮ গী থৌদোক্তু নুমিৎ থানা লৈরিবমখে কাউবা য়াররোই। ঙসি ঙসিমক হায়দোক্তনা থল্লিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টনা ইরমদম মণিপুরদা তুং কোয়বা শান্তি পুরক্কনি থাজদে। ঐগী মাগী কাঙলুপ ফুরুপকী পোলিটিক্সনা ঈং তপ্পা খুন্নাই অমা শেম্বা ৱাগনি।

উমং অমদা শা, উচেক, তীল-কাং কয়া লৈমিন্নবগুম, ইরমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্লা নুংশি চান্নন হিংমিন্ননবগী উপায়দু থিমিন্নবনা ফগনি।

পূন্নমক অসিগী মখা শমথরকপদা মমল য়াম্নবা মীওইবগী পুন্সি লন-থুম অমসুং শান্তি ওইবা ফীভমদা হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবদা ফুরুপ খুদিংমক্কী লুচিংবশিং, মহৈরোয়শিংগী লূপশিং, লাইনীংগী লুচিংবশিং, লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিং য়াওনা ফম্মিন্নদুনা 'কম্যুনিতি কনফ্লিক্ট মেনেজমেন্ট ওথোরিটি' অমা লিংবনা তুং কোয়বা শান্তি পুরকপদা মতেং ওইগনি থাজজৈ।

মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবা থোক্লকপদা মতেং পাঙনবা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি থম্বগুম হায়রিবা থৌরাং অসিনা ফুরুপ কাঙলুপশিংগী মরক্তা লৈরিবা থাজনদবা, নুংশিনদবদু খরমখৈ কোকহনদুনা শান্তি পুরকপদা মতেং ওইগনি থাজজৈ।

মসি নত্তদুনা ফুরুপ মশেল হুন্নবা, অঙম তান্নবা, বন্দ ব্লোকেদ অমসুং মীহাৎ মীপুন তৌবনা পূন্নমক্কী মাঙজবা পুরকপা নত্তনা তুংগী মীরোলবুসু অমম্বা শুরুংদা হোইজিনবীরম্বগা পাংখক ওইগনি।


অরোইবদা পঞ্জনীংবদি অতিয়াদা থোক্লিবা 'নুমিৎ' পু মীপুম খুদিংমক্কিনি লৌবগুম ইরমদম মণিপুরসু চীংমী তম্মীগী ইমানি খনবীবা কাউবীগনু। অমেরিকানা থাদা খোঙদারুরবসু ঙসি ফাওবা মখোয়গীনি হায়দবগুম পীক্লবা ইরমদম মণিপুরবু ঐগী মাগী হায়না খনবা ৱাখল্লোন থম্নদনা নুংশি চান্নন হিংমিন্নরসি।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদ্দম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## লাংবগী চাং হেনগৎলকপা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**চহী** তরা-কুনগী মমাঙদগী লাংবা, নিল খোংবা মালেমগী মফম কয়ামুক্তা তৎতনা হেনগৎলক্লি। মসি মীশিং কা হেন্না হেনগৎলকপা অমদি চাওখৎপগী ফীভম্না ওইরকপনি। মীশিং হেনগৎলকপগী মতুং




ইন্না মালেমদা অমদি মালেমগী মফম কয়াদা সিটি অচৌবা মশীং কয়া হেনগৎলকপা অমদি টাউন মশীং কয়ামুক হেনগৎলকপননি। ঙসি ঙসিমক মণিপুরদসু ইম্ফালবু সিটিগী থাক্তা ওনখৎলকপা অমদি টাউন কয়া মণিপুরগী মফম কয়াদা হেনগৎলকপনা মণিপুরদসু লাংবগী চাং ফনা ফজনা হেনগৎলক্লি। মণিপুরগী নেসনল হায়ৱেশিংদা অহিং নুংথিল নাইদনা গাড়ী মশীং কয়া চেনবগী চাং হেনগৎলক্লি। মসিগী মথক্তা ফঙ্কসন কয়াদা লাউদ স্পিকর কয়াগী খোঞ্জেল, হৱাউ তয়াম্বা অমদি কুম্মৈ কয়াগী নিল খোংবা, য়ূম-য়ূমদা টি ভি অমদি টেপ অমদি রেদিওগী খোঞ্জেলগী চাংসু হেনগৎলক্লি। ফুরুপ কয়াগী লাইনীং অমদি নাৎকী থৌরম কয়ানসু লাংবগী চাং অদুম হেনগৎলক্লি। ঈশৈ নোংমাই, রোক ম্যুজিক অমদি ফিল্মগী অনৌবা শো কয়াগী অমদি লীলা দ্রামাগী খোঞ্জেলনচিংবনসু লাংবগী চাং হেনগৎলক্লি। খৎন-চৈনবা, ঈহৌ কয়াগী খোল্লাও, থৌদোক ৱাথোক্কী খোল্লাও অনৌবা বিল্ডিং কয়া শাবগী নিলবা নোংমা নোংমগী অসুম মণিপুরদসু হেনগৎলক্লি।

ওটো মশীং লিশীং কয়া, কার লিশীং কয়া কয়াদা নত্তনা মখল কয়াগী গাড়ীশিং ইম্ফাল সিটিদা নত্তনা মণিপুরগী টাউন কয়াদা চিক্লা চাইনবা য়াদবমখৈ চেন্নরকপা অমদি লৈবা য়োনবগী নিল খোঙবগী চাং অমদি হাউসি শান্নবা, দুর্গা পুজাগী বম্বুলা থাবা, লাই লাৎপগী নমাদা খোঙলিবা লাউরিবা ফনা ফজনা হেনগৎলকপনা মণিপুরদসু লাংবগী চাং ফনা ফজনা হেনগৎলক্লি। নোংমৈ অমসুং বোমগী মখোলসু মরক মরক্তা য়াওদবা নত্তে। চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না কল কারখানা অমদি ইন্দষ্ট্রি মচা কয়াগী নিল খোঙবসু অদুমক য়াওদবা নত্তে। ইকুই কুইদনা পাঙথোক্লক্কদৌরিবা দিপানিতাদা বম্বুলা থাবগী চাং মহৌশাদগী হেনগৎনরকখিগনি।

অসুম্না নিল খোঙবা লাংবা খোংবগী চাং হেনগৎলকপা অসিনা মীওইবগী পুন্সিদা অচৌবা মাঙ তাকহন্নবগী কিহল্লকপা অমদি ওইরবনি। লাংবা হায়বসি অহৌবা খোঞ্জেল অমবু কনাগুম্বশিংনা তানিংদবা অদুনি হায়বা ফাওবসু য়ারি। কুমজা ১৯৯৯ দা ইনভাইরোনমেন্ট প্রোটেক্সন লিকনা বজারদা পুথোক্লিবা বম্বুলাশিংগী অহৌবা মখোলসি য়াম্লবদা দেসিবেল ১২৫ গী পার্মিসিবল অসিদগী হেন্না হৌবা কয়া য়াওরে হায়না পন্নখ্রে। নেসনল ফিজিকেল লেবোরেটরি ন্যু দেল্লিনা এটোম বোম অমনা হৌবগী চাং অসি ১৩২ প্লস ২ দেসিবেল মুক্লি অদুগা ফ্লোৱার বোম অমগী অহৌবনা দেসিবেল ১৩৬ প্লস ১ গুম্বনি। হৱাগাড়ী বস নৎত্রগা মান পুবা গাড়ী অমগী হোর্নগী অহৌবা দেসিবেল অসি ২৮ খরা হেল্লি হায়রি। অসুম্না বস অনী বজারদা থৌনবদা পূন্না হোর্ন খোঙলকপদা দেসিবেল অসি ৬০ গী ময়াদা হৌই হায়রি। নুমিদাংগী মতমদা ইন্টেন্সিটি অসি দেসিবেল ৫০ দগী হন্থহনগদবনি হায়রি। অদুবু করিগুম্বা মতমদা দেসিবেল ৫৫ য়ৌনা হৌবা লাংবগী মখোল তারবদি ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলক্তুনা হার্টকী লায়না পল্লকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ ।

লাংবগী খোঞ্জেলনা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎহল্লি হায়বসিদি সাইন্টিষ্ট কয়ানা রিছার্স তৌবদা হায়বা ঙাক্লি। মদুতা নত্তনা ইন্সোমিনিয়া অমদি মেন্টেল প্রোব্লেম মায়োক্লদুনা তূম্বা মতমদা অকায়বা পীবসু য়াওই হায়রি। অহৌবা মখোল অসিনা তত্তনা অসুম ঙংদুনা লৈরবদি নাকোং মনুংদা ঙ্রুং ঙ্রুং ঙংদুনা লৈবগী প্রোব্লেম থোকপসু য়াওই হায়রি। য়াম্না হৌবা লাংবগী খোঞ্জেল অসিনা অসুম তোইনা তাদুনা লৈরবদি হকচাংদা মখল কয়াগী অশোকপা লাকই হায়বসি সাইন্টিষ্টশিংনা য়ানরবা ৱাফম অমনি। অসিগুম্বা মাঙ তাক্লবা ওইরক্লবা নিল খোংবা, লাংবা হেনগৎলক্লিবা অসি খরমখৈ হন্থহন্নবা চাওখৎলবা লৈবাক কয়াদা পোলিসি শেমদুনা হোৎনবা হৌনরে হায়রি। ইন্দিয়াদসু মসি খন্থরকপগা লোয়ননা দিল্লিদা গাড়ী মখল কয়া অকক্লনা নোংমা নোংমা কান্ননা চেলহল্লকপা অসিনচিংবা হোৎনরে হায়বা তানরক্লি। তশেংনমক অহৌবা মখোল লাংবগী খোঞ্জেল অসি খরা কন্ট্রোল তৌহৌদ্রবদি মীওইবগী পুন্সিদা লায়না কয়া শোয়দনা নাহল্লকপা য়াবগী থাজবা লৈ। ফীভম অসি মীয়াম্না অমদি লৈঙাক্লা খঙনা হোৎনমিন্নদ্রবদি পোলুসন্দসু অদুমক শোক্কনি অমসুং মীওইবগী হকচাংদসু মখল কয়াগী অনাবা পোকহল্লক্কনি হায়না খন্থমিন্নবা মতম ওইরে।

*অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা*

## মমা ওইবীনা চৎকদবা লীচৎশিং

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**খুন্নাই** অসিদা হৌজিক অৱা অনা নংলিবা অসি মমা ওইবীশিংগী মরক্তগী খরনা চৎকদবা লিচৎশিং চৎলক্তবদগী থোরকপা থৌদোক ৱাথোক্লা হিরম খরদা ওইহল্লি। মমা অমা ওইরে হায়রগা চৎকদবা শাজৎ লিচৎ লান্না চৎপা খুন্নাই অসিদা য়াওদবা নত্তে। মমা অমা ওইবা হায়বসি নুপীদুনা হেক পোকচবা মচা লৈরকান্দা নৎত্রগা নুপীদুনা অঙাং য়োক শেন্নদুনা লৈরবকান্দা মমাগী মীংথোল ফংই।

মমাগী মীংথোল ফংলবদি মমাদুনা মহাক্কী মচা অদুনা চাওরবা মতমদা লেনগদবা পুন্সি মরেলদু নুংঙাইনবা করম্না হোৎনগদগে হায়বদু খনগদবনি। মমা অমা ওইরবদি লৈশারিঙৈদা চৎলম্বা লিচৎশিংদু লোয়না থাদোক্লগা অনৌবা পুন্সি অমা লেনবা হৌরগদবনি। পুন্সিগী লীলা শান্নবদা নুপীনা অশেংবা অফবা শক্লোনশিং লৌগদবনি। মমা ওইবিনা লাইরিক লাইশু হৈবা তঙাইফদে। লাইরিক লাইশু হৈত্রবদি তুংদা অকায়বা ময়াম থোক্লকই।

হৌজিক ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা ইচম চম্না অপনবা লৈতবা, অথিংবা লৈতনা চথ্বরক্লিবা মমা ওইবীশিংনা তৌবা অদুদি ক্বা চাবা, নিশা শীজিন্নবা, মরম লৈতনা লৈকায় কোয়বা, মপুরোইবগী ৱা হিক্তোকপা, ফিজেৎ লুদবা, মরম চাদবা থৌদোক-ৱাথোক শিনবা অমদি শরুক য়াবা, মরম চাদনা অরং অরাক অমদি হৌজিক্কালগী পোৎশক মোবাইল ফোন লান্না শীজিন্নবা, মচা কুপশেন শেন্নদবা, মচা লৈনা লৈনা অতোপ্পদা হন্না ময়ূম পানবা অসিনচিংবা কয়ানি।

মথক্তা পনখ্রিবা লিচৎশিং অসিনা খুন্নাই অমদি মরু ওইনা ইমুংদা অকায়বা য়াম্না পী। ইমুং ময়াম পুল্লগা খুন্নাই অমা শেল্লকপনি। মরম অদুনা হায়খ্রিবা ফত্তবা লিচৎশিং অসি মমা ওইবীনা চৎলকপা তারবদি খুন্নাই অদু অসুম অসুম মুৎশিল্লক্কনি। ময়ামসিগী মরক্তা খ্বাইদগী মরু ওইবা অদুগা ঐখোয়নদি ইচম চম্না খনবা অসি মচা কুপশেন শেন্নদবা লিচৎ অসিনি। মসিনা খুন্নাই অদুবু তপ্পা তপ্পা মাঙশিল্লকপদা মতেং চাউনা পাঙই। মমা ওইবীনা য়াম্না কুপ্না খনগদবদি অঙাংশিং মখোয়গী লননি অদুগা খুন্নাইগীনা য়ূম্বী মখোংনি। মসি মমা ওইবী অয়াম্বনা হেক হেক কাউথোকপগুম তৌই।

মরম অদুনা অশেংবা মমা অমা ওইগে হায়রবদি মখাদা পীরিবা লিচৎশিং অসি চৎপীবা য়াই।

১) নুপীদুনা মমা ওইগদৌরে খঙলবদি মচি ওইবা চিঞ্জাক অমদি ডাক্তরগী এদভাইস নিংথিনা ইনগদবনি।

২) মমা ওইবীশিংনা মখোয় মখোয়গী মচাশিংবু কুপশেন শেন্নদুনা করি তৌরি, করি চারি, কনাগা তিন্নরি, কদাইদা চৎলি, মহাক্কী অপাম্বা করিনো হায়বনচিংবা পূন্নমক মমা ওইবীশিংনা নীংথিনা খন্থবা চঙই।

৩) মমা ওইবীশিংনা মখোয় মখোয়না লৈরিবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংবু লৌথুপ লৈকোয় লৈতনা, মীনম শোরি য়াওদনা পুকচেল শেংনা লোইনগদবনি।

৪) মমা ওইবীশিংনা মহাক্কী মপুরোইববুসু কুপশেন শেন্নবা মথৌ তাই। মরমদি লমদম অসিদা লৈরিবা অয়াম্বা য়ূমশিংদা নুপানা শেল তাল্লগা চারিবা ঙাক্তনি। অদুনা মহাক্কী মপুরোইবনা করি তৌরি, করম্বা লম্বীদা চৎলি হায়বনচিংবা ময়াম অসি য়েংশিনবগী চাওরবা হকসু লৈ।

অরোইবদা ঐনা হায়জনীংবদি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদদি লায়রবা মীওইনা শরুক য়াম্মী। মমা ওইবীশিংনা অরেম্বদা মতম অমদি পৈশা মাঙহন্দবা, মচা মশুশিংবু লমচৎ-শাজৎ ফজবা তম্বীবা, মতম চানা লাইরিক-লাইশু তৌহনবা, স্কুল কাহনবা, চাব-থকপা অমদি তূম্বগী চাং নাইহনবা, ইপুরোইবনা পুশিল্লক্লগা চাগনি খনবগী মহুত্তা মমা ওইবীশিংসু অঙম্বা মতেং পাঙদুনা তৌবা য়াবা করি-করি তৌশিন্দুনা হোৎনমিন্নবা চঙই।

য়ূম পানবা হায়বসি তুরেল লৈঙোইদগী হেন্না কুপ্পী হায়নরিবনি। য়ূম পান্নিংই হায়দুনা হেক্তা পানবা য়াবা নত্তে। য়ূম অমা পানবা মতমদা খ্বাইদগী মথৌ তারিবসি য়ূমদুগী য়ূম্বুরেম্বীনি। য়ূম্বুরেম্বী অদুনা চৎন-কাঙলোন খঙদ্রবদি য়ূম অদু কাং-খোং চাই হায়নরিবনি। মরম অদুনা মমা ওইবীশিংনা ৱাখল লৈতানা, ৱাখল মখেল লাংদনা, অরেম্বদা মতম মাঙহন্দনা, লিচৎ-শাজৎ চুম্না চৎতুনা অফবা মমা অমা ওইনবা হোৎনরসি হায়জনীংই।

*অদোমগী - অঙানবা তোংব্রম*

*অখাম ময়ায় লৈকায়*